

বেঙ্গলোরদা লৈবা ইস্কোনদা পাঙথোকখিবা কৃষ্ণ জনমাগী থৌরম

# অফগানিস্তানদা লৈবা অমেরিকান য়ুনিভর্সিটিদা এটেক চথরকপদা ১২ শীরে, ৩৬ শোক্লে

*কাবুল, আগষ্ট ২৫ঃ*

অফগানিস্তানগী কোনুং কাবুলদা লৈবা অমেরিকান য়ুনিভর্সিটিদা নোংমৈ পাইবশিংনা এটেক চথরকপদা য়ামদ্রবদা মীওই ১২ শীরে। অদুগা ৩৬না অশোক অপন নংখ্রে হায়না অফগানিস্তান ওফিসিয়েলশিংনা ঙসি ফোঙদোরক্লি।

য়ুমশকৈশা নুমিৎকী নুমিদাংৱাইরমদা এটেক চথখিবা পুং ১২রোমগী মতুংদা কাবুল পুলিসকী মকোক অব্দুল রহমন রাহিমিনা হায়, য়ুনিভর্সিটি অদুগী কেম্পসতগী মহৈরোই ৭০০ কনবা ঙমখ্রে।

থৌদোক অদুদা খুদোংথিবা নংখ্রবা মীওইশিংগী মশক মমিং খুদক্কী ওইনা ফংবা ঙমদ্রি। অদুম ওইনমক মিনিষ্ট্রি ওফ পাব্লিক হেল্থকী ওফিসিয়েল হেদয়াতুলাহ ষ্টানিকজায়না ফোঙদোরকখিবদা য়ুনিভর্সিটি অদুদা থবক তৌবা গার্ড কয়াসু অশিবশিংগী মনুংদা য়াওরি।

রোইটর ন্যুজনা রিপোর্ট তৌরকখিবদা নোংমৈ পাইবশিংনা এটেক চথরকপদা মীওই কয়া শীহনখ্রে। য়ুনিভর্সিটি অদুদা চথরকখিবা এটেক অদু খুদক্কী ওইনা কনাগুম্বা কাংলুপ অমত্তনা ক্লেম তৌরকপা লৈত্রি।

য়ুনিভর্সিটি অদু ইং ২০০৬তা য়ু এসকী চৎনা কাংলোন মখাদা হাংদোকখিবনি। য়ুনিভর্সিটি অদুদা মহৈরোই ১০০০ হেন্না হৌজিকসু মিং চন্দুনা লৈরি। মীৎনা উহৌবশিংনা ফোঙদোরকখিবদা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলিবা য়ুনিভর্সিটি অদুদা নোংমৈ পায়বা মীওইশিং চংশিন্দুনা এটেক চথরকখি।

মহৈরোই অমনা হায়, মহাক্না ক্লাস লোইরবা মতুং য়ুমদা হন্নবা হোৎনরিঙৈদা নোংমৈ কাপ্পগী মখোল অমসুং চাওনা পোকখায়বগী মখোল তাখি। মদুগী মতুংদা মখা তানা নোংমৈ কাপ্নখি হায়রি।

অহম্মদ মুখতার কৌবা মহৈরোই অদুনা মখা তানা ফোঙদোরকখিবদা মহাক অথু-অকায়গী ওইনা শেম্বা থোকফম তম্না চেনখি। অতোপ্পা মহৈরোই অমসু মহাক্কা লোয়ননা য়ুনিভর্সিটি অদুগী ফেন্সিং ৱাল কাখৎতুনা মপান্দা চোংথোকখি।

অতোপ্পা মহৈরোই অমসু অনীশুবা মথোলগী থোঙনাওদগী চোংথরত্তুনা এটেক অদুদগী নাম্থোক্লবা হোৎনরকখি। মহৈরোই কয়া অনীশুবা মথোলদগী নাম্থোক্লবা হোৎনবদা খোঙ তেকপা অমসুং অশোক অপন কয়া নংখি হায়না অব্দুলা ফাহিমী কৌবা খুৎউদা শোক্লবা মহৈরোই অমনা ফোঙদোরক্লি।

মহৈরোই কয়ানা ক্লাস রুমদা মশা হিংজনবা লোৎনখি। এসোসিয়েটে প্রেসকী ফোটোগ্রাফ মাসুদ হোসানি ক্লাস রুম অদুদা অতোপ্পা মহৈরোই ১৫গা লোয়ননা পোকখায়বা অমসুং নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক থোকখিবা মতম অদুদা লৈখি।

মহাক্না থোঙনাও হাংদোক্তুনা ওইরিবা ফিভম অদু খঙদোক্লবা হোৎনখি। মতম অদুদা ফিজম শেৎপা মীওই অমা উখি। মীওই অদুনা মহাক্না লৈরিবা মায়কৈ তম্না নোংমৈ কাপশিল্লকখি হায়খি।



অফগানিস্তানদা লৈবা য়ু এস য়ুনিভর্সিটিদা এটেক চথরকখ্রবা মতুং সিক্যুরিটিনা মহৈরোইশিং কনখিবা

# মেহবুবা মুফতিনা প্রেস কনফরেন্সতা অশাওবা উংখ্রে নুঙ লংশিন্দুনা এটেক চথবশিংগী থৌওংশিং য়ানিংদে



পাউগী মীফম অমদা শরুক য়ারিবা হোম মিনিষ্টর রাজনাথ অমসুং সি এম মেহবুবা মুফমতি

*শ্রীনগর, আগষ্ট ২৫ঃ*

য়ুনিয়ন মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহ অমসুং জম্মু অমসুং কাশ্মীরগী চীফ মিনিষ্টর মেহবুবা মুফতি য়াওবা পাউগী মীফম অমদা মেহবুবা মুফতিনা অশাওবা ফোঙদোকখ্রে।

পাউমীশিংনা ষ্টেট অদুদা হৌজিক ওইরিবা তংদু লৈতাদবা ফিভম অদুগী মতাংদা হংলকপা ৱাহংদা লুচিংবী অদুনা খঙহৌদনা মহাক্কী মফমদগী হৌগৎতুনা ময়াম্বু থাগৎচরি হায়বা ৱাফম ফোঙদোকপগা লোয়ননা মীফম অদু লোইশিন্নবা হোৎনখি। মীফম অদুদা রাজনাথ সিংহসু য়াওখিবনি।

হংলকপা ৱাহং অমগী পাউখুমদা মেহবুবা মুফতিনা ষ্টেট অদুদা নুমিৎ কয়ানি চুপ্পা চথরক্লিবা লৈতাদ্রবা ফিভম অদুদা নুঙ লংশিন্দুনা হিংশা চথরকখিবা অদু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

লমদম অদুদা লৈবা পুলিস পেকেট অমসুং পুলিস ষ্টেসন কয়াদা হিংশা য়াওবা এটেক চথরকখি। লুচিংবী অদুনা মমাঙদা ফোঙদোকখিবদা ষ্টেট অদুগী মীওই চাদ ৫না মফম অদুদা খোঙজং চংশিল্লি। অদুগা চাদ ৯৫না ওইরক্লিবা ফিভম অদু শান্তি ওইনা লোইশিনহনবা পাম্লি।

কাশ্মীরগী ৱাথোক লোইশিন্নবা মহাক লেপ্লি, ৱারী শান্নগদবনি। অদুম ওইনমক নুঙ লংশিন্দুনা কেম্প কয়াদা এটেক চথবা অদুনা ৱারোইশিন পুরকপা ঙল্লোই। ৱাথোক অদু নাখৈদুনা চৎহনবা য়ারোই। ৱারোইশিন অমা পুরকপা তঙাইফদে হায়খি।

মীওই কয়া অশোক অপন নংখিবা থৌদোকশিং অদুগী মতাংদা চপ চাবা এক্সপ্লেনেসন অমা দরকার ওই। জম্মু অমসুং কাশ্মীরদা ইরাং থোক্লকখিবা অদুনা মরম ওইরগা শীহনখিবা মীওইশিংগী মনুংদা চাদ ৯৫দি নহা ওইরিবা মীওইশিংনি। মখোয়না সিক্যুরিটিগী ইষ্টাব্লিসমেন্টশিংদা এটেক চথবা লৈ।

লুচিংবী অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা মীয়াম্না লম্বী সরক্তা থোক্লকপনা মরম ওইরগা লমদম অদুদা কার্ফ্যু থম্লি। অদুম ওইনমক অদুগুম্বা মফম অদুদা লৈরিবা অঙাংশিংনা লান্মীগী কেম্পশিংদা চংলত্তুনা মিথাই লৈখি।

মমাঙদা চহী ১৫ রোম শুরবা নুপা মচা অমনা দমহাল হঞ্জিপোরাদা লৈবা পুলিস ষ্টেসন অমদা এটেক চথরকপা লৈখি। মহাক্না ষ্টেসন অদুদা শঙ্গোম লৌনবা লাকখিবনি। মতম অদুমত্তুদা এটেক চথরক্তুনা খুদোংচাদবা কয়া থোকহনখি হায়রি।

# ইটালিগী য়ুহার হাবদা শীখিবা ২৪৭ শুখ্রে

*রোম, আগষ্ট ২৫ঃ*

ময়াই থংবা ইটালিদা অকনবা য়ুহার হাখ্রবা মতুং লৈখিদবা মীগী মশিং শগোলশেন নুমিৎ ফাওবদা ২৪৭ শুখ্রে হায়না ওফিসিয়েল ওইবা পাউ অমনা ফোঙদোরক্লি।

চীংগী লমদম ওইনা তৌবা খুঙ্গং অদুগী অতেক অকায় মরক্তা অহিংবা মী লৈরিব্রা হায়না থিবগী থবক চথরি। অকনবা য়ুহার অদুনা মীওইচা কয়া শোকহনখ্রে। মখোয়গী মনুংদা ফিভম লুনা শোকপসু য়াওরি।

অদুগা মশিং থিঙমদ্রবা মীওই কয়াসু নিংখায়খ্রবা য়ুমশিংগী অতেক অকায় মরক্তা ননশিন্দুনা লৈরম্বা য়াবগী চীংনবা লৈ।



ইম্মর্জেন্সি সার্ভিসকী ষ্টাফ অমসুং ভোলুন্টিয়ারশিংনা নিংখায়খ্রবা য়ুমশিংদা অতেক অকায় মরমক্তা অহিংবা মী থিবগী থবক চথরি। অতেক অকায় মরক অদুদা মী কনবা কাংবুনা অহিং চুপ্পা মী কন্ননবা হোৎনরি।

প্রাইম মিনিষ্টর মটেও রেঞ্জিনা ঙরাং খুদোংথিবা থৌদোক অদুদা অমাত্রিষ্ট লমদমদা চাওনা অমাং অতা থোকহল্লে। মদুনা মরম ওইরগা অশিবা মশিং হেনগৎলকখিবা য়াই হায়না ফোঙদোকখিবা লৈখি। য়ুহার হাখ্রবা মতুং অফটর সোক কয়া লাকখি। অহিংগী অইংবা মরক্তা মীওই কয়া চংজফম লৌদুনা লৈরি।

মেগ্নিচুদ ৬.২ য়ৌনা হাখিবা য়ুহার অদুগী ইপিসেন্টরদা লৈবা য়মু কয়াদি শাথিবা মওংদা নিংখায়খ্রে। উম্ব্রিয়া, মার্সে অমসুং লাজিও লমদমদা অৱাবা নংলবা মীওই কয়া চংজফম লৌদুনা লৈরি। ইং ২০০৯দা হাখিবা এল একুইলা সহরদা চাওনা অমাং অতা থোকহনখিবা অদুদা মীওই ৩০০ লোম শীহনখিবা লৈখ্রে হায়রি।


GAS TODAY

**GBD, LAMLONG**

Booking upto .......21/07/2016
Valid from ........... 30/06/2016
Stk.......................612 (DBTL)
Timing.........7.00 to 11.00 am


# লান্মীদা পাউ পীবগীদমক বি জে পি লুচিংবা অমগী মচানুপা ফাখিবনি ঃ উলফা

*গুৱাহাটি, আগষ্ট ২৫ঃ*

য়ুনাইটেদ লিবরেসন ফ্রন্ট ওফ অসোম (উলফা)গী লুচিংবা পরেস বরুৱানা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ফোঙদোরকখিবদা অসামগী ভারতিয়া জনটা পার্টি (পি)গী লুচিংবা অমগী মচানুপা ফারিবা অদু রেন্সম তান্নবগীদমক নত্তে।

কুলধিপ মোরন লান্মীদা পাউ পীথোক পীশিন তৌবগী মরালদা ত্রাইয়েল চখনবা লৌখৎপনি। মহাক্না লান্মীদা পাউ পীথোক পীশিন তৌবনা মরম ওইরগা লালহৌলুপ অদুগী মীওই কয়া শীহনখিবা লৈখ্রে।

বরুৱানা মফম তাকথোক্তবা অমদগী মেদিয়া হাওসশিংদা কন্টেক তৌবগা লোয়ননা মীওই অদু ফাবদা রেন্সম তানখিবা লৈতে হায়না ফোঙদোরক্লি।

কুলধিপ অশোয় অঙাম য়াওদনা লৈরি। মহাক লান্মীদা পাউ পীবগীদমক লৌখৎপনি। মহাক্না অরুনাচল প্রদেশতা লুপ অদুগী কাদরশিংনা চখোক চৎশিন তৌবদা মীৎয়েং চন্দুনা লৈখি।

লুপ অদুগী কোর্টতা ত্রাইয়েল তৌগনি। মহাক মরাল লৈরমদ্রবদি থাদোক্কনি। পাউগী লিখুল অসিগী মতুং ইন্না লালহৌলুপ অদুনা রেন্সম তাল্লকই হায়বদু অরানবনি। কুলধিপকী অপোকপা রতনেশ্বর পঞ্চায়েটকী থাক্তা থবক তৌবা মীওইনি।

অসাম পুলিসনা অরুনাচল প্রদেশকী চাংলাং দিষ্ট্রিক্টতা কুলধিপ রেস্ক্যু তৌননবা ওপরেসন চথরক্লি। মী ফাবা কাংবুশিং অদুনা য়ান্নবা ৱাফম অমা পুরক্লবা ফোঙদোরকখিবা কয়াসু লৈরি।

রতনেশ্বর মোরাননা হায়, রিবেলশিংনা মহাক্কী মচানুপা থাদোকহন্নবগীদমক লুপা ক্রোর ১ দিমান্দ তৌরক্লি। অদুম ওইনমক পরেস বরুৱাগী মতুং ইন্নদি মহাক রেন্সন তান্ননবা ফাবা নত্তে।

উলফাগী হান্নগী লুচিংবা জি টেন তৎতা অমসুং লো মেকর বোলিন চেতিয়া অমসুং ভাস্কর শর্ম্মানা উলফাবু মচেৎ তাহন্নবা হোৎনখিবনি। অদুগুম্বা মীওইশিং অদুদা মখা তাবা ফিভমশিং মায়োক্লগনি হায়নসু ৱার্নিং তৌরক্লি।

চৈরকসিদা অসামগী চীফ মিনিষ্টর সরবানন্দ সোনোৱালনা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা ষ্টেট অদুগী সিক্যুরিটিগী ফিভম য়েংশিনখ্রে। মীফম অদু ঙরাং নুমিদাং অথেংবদা হৌখ্রবা মতুং য়ুমশকৈশা নুমিৎকী অয়ুক পুং ৩ তাবদা লোইশিনখি।

অসামগী পুলিস অমসুং সিভিল এদমিনিষ্ট্রেসনদা ফম চাওনা হোংদোক হোংজিন তৌবগী ফিভম অমা লাক্লবা য়াই হায়রি।

# থাই পি এমনা বেঙ্কোক গভর্নর সস্পেন্দ তৌখ্রে

*বেঙ্কোক, আগষ্ট ২৫ঃ*

থাইলেন্দগী প্রাইম মিনিষ্টর জেনরেল প্রয়ুট চান-ও-চানা ঙসি বেঙ্কোককী গভর্নর সুখুমভন্দ পরিবত্রাগী মথক্তা থিজিল্লবা মতুং সস্পেন্দ তৌখ্রে।

য়াথং অদুনা লৈঙাক্কী এজেন্সিশিং মরী লৈনবা গ্রাফট প্রোফট অদু চহী ৬৩শুরবা সুখুমভান্দগী মথক্তা থিগৎখিবনি। মরাল লৈরমদ্রবদি মহাক ফম অদুদা অমুক হঞ্জিনবা য়াগনি হায়রি।

গভর্নর অদুগী মথক্তা শেঙ্গা-থুমজা তৌবা অমসুং ওফিস চল্লাইবদা বেবহার ঙাক্তবগা মরী লৈননা শীরকখিবা মরালগী মতুং ইন্না থিগৎখিবনি। লান্মী লৈঙাক্কী সেক্সন ৪৪ অমসুং প্রাইম মিনিষ্টরগী চপ চাবা শক্তিগী মখাদা মীয়ামগী অপুনবগী শক্তম অমসুং পুন্না হিংমিন্নবগী থৌশিল কায়হন্দবগীদমক থিগৎপগী থবক অদু চখনবা য়াথং তৌখিবনি।



বেঙ্কোককী গভর্নর সুখুমভন্দ পরিবত্রা

প্রায়ুটিনভোককী নেসনেল কাউন্সিল ফোর পিছ অমসুং ওর্দরগী মখাদা লৈবা শক্তিগী মতুং ইন্না থিগৎপগী য়াথং অদু পীখিবনি। রোয়েল গেজেটকী মতুং ইন্না বেঙ্কোককী গভর্নর সুখুমবন্দ মহাক্কী থবক্তগী সস্পেন্দ তৌখিবনি হায়রি।

*সনা-সুদোকু- ৬৭৮ গী সোল্যুস*

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 6 | 8 | 9 | 1 | 3 | 5 | 2 | 4 | 7 |
| 2 | 1 | 3 | 7 | 9 | 4 | 6 | 8 | 5 |
| 5 | 7 | 4 | 2 | 6 | 8 | 1 | 9 | 3 |
| 7 | 4 | 8 | 9 | 5 | 1 | 3 | 2 | 6 |
| 9 | 3 | 5 | 6 | 7 | 2 | 8 | 1 | 4 |
| 1 | 6 | 2 | 8 | 4 | 3 | 7 | 5 | 9 |
| 4 | 2 | 6 | 3 | 8 | 9 | 5 | 7 | 1 |
| 3 | 9 | 1 | 5 | 2 | 7 | 4 | 6 | 8 |
| 8 | 5 | 7 | 4 | 1 | 6 | 9 | 3 | 2 |

# ব্লেক মনি লাক্ষ ৭০ ফারে

*কোইম্বেটোর, আগষ্ট ২৫ঃ*

ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্টনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা মীওই অনীগী য়ুমদা থি-হুম্বগী থবক চথবদা মশিং থাদবা শেনফম লাক্ষ ৭০ ফাগৎখ্রে। আই টি ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোরকখিবদা ফাগৎখ্রবা শেনফমশিং অদুগী মতাংদা মপুনি হায়বা মীওইশিং অদুনা চপ চাবা শেনফম অদু লাকখিবগী চে-চাংশিং পুথোকপা ঙমখিদে।

লোয়ননা কনানা শেনফম অদু পীরম্বনো হায়বসু পুথোকপা ঙমদ্রে। পুলিসকী পাউ মতুং ইন্না নহা ওইরিবা মীওই অনী কপিল কুমার জেন অমসুং মহাক্কী মচিন মনাও চিং কুমার জেন সহর অদুদা সনাগী কারবার তৌবা মীওইশিংনি।

রাজেন্দ্র কুমার জেনগী মচানুপানি হায়বা মীইওশিং অদু চীংননিংঙাই ওইবা মওংদা অলজেসান রোদতা মোটোর সাইকল তোংদুনা লাকখি। পুলিসনা মখোয়বু খামদুনা চেক তৌবদা লুপা লাক্ষ ৭০গী শেনফম অদু ফংখিবনি হায়রি।

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-679**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 8 | | | 3 | 5 | 2 | | |
| | 1 | | | 9 | | | 8 | |
| | 7 | 4 | | | | 1 | | |
| 7 | 4 | | | | 1 | 3 | 2 | |
| 9 | | | | | 2 | 8 | | 4 |
| | 6 | | | | | | 5 | 9 |
| 4 | 2 | | | | | | 7 | 1 |
| 3 | | | 5 | 2 | 7 | | 6 | |
| 8 | | | | 1 | | | | |

# কিদনেপ তৌখিবা দিল্লিগী নুপা মচা অমা চহী ৯গী মতুংদা ফংলে

*ন্যু দিল্লি, আগষ্ট ২৫ঃ*

অৱাং থংবা দিল্লি হোস্পিটাল অমদগী চহী অমখক্তা ঙাইরিবা নুপামচা অমা কিদনেপ তৌখ্রবা মতুং চহী ৯গী মতুংদা ফংবা ঙমখ্রে।

নুপামচা অদু মহাক্কী অপোকপী মমাগা লোয়ননা হোস্পিটালদা মেদিকেল চেক-অপ তৌনবা লাকপদা ফাখিবনি। পুলিসকী পাউ মতুং ইন্না নুপামচা অদু চহী ৯গী মতুংদা ফংবা ঙল্লে। থৌদোক অদুগা মরী লৈননা মীওই অনীসু ফারে হায়রি।



চহী ৯গী মতুংদা ফংখ্রবা কিদনেপ তৌখিবা নুপামচা অমা

নুপামচা অদুগী অপোকপা অফাসর খান (৪৬)না চৎলিবা চহী অসিগী মে ২দা অনীশুবা ৱাকৎ অমা থাঙ্গৎলকখি। য়ুমল্লোনবশিংগী পার্টি অমদা শরুক য়াখিবা মরী মতা অমনা মহাক্কী মচানুপাগী ফোটো উৎলকখি। লোয়ননা মহাক নোংপোক থংবা দিল্লিদা উখি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

ওগষ্ট ২২দা পুলিসনা খোঙ্গুললিবদা সমির কৌবা নুপামচা অদু হৌজিক চহী ১০ শুরে। অঙাং অদুগা পুন্না লৈমিন্নরম্বা মতৈ মনাও জিহানগির পুরিদগী ফারে হায়রি।

অহানবদদি মতৈ মনাও অদুনা অঙাং অদু মখোয়গী মচানি হায়না ফোঙদোকখি। মখা তানা ৱাহং পাউহংনা চথবদা হায়দোরকখিবগী মতুং ইন্না অঙাং অদু কনাগী মচানো খঙদনা মখোয়না লাক্তুনা পুরকখিবনি হায়দোরকখি।

নুপামচা অদুগী অপোকপী ফরিদানা হায়, ইং ২০০৭কী নভেম্বর থাদা চেক অপ তৌনবা লাকখিবা হোস্পিটাল অদুদগী ফাদুনা পুখিবনি। মতম অদুদগী অঙাং অদু উবা ফংখিদ্রবনি। থৌদোক অদুগী মতাংদা ডাক্তরদা খঙহনখি।

হোস্পিটাল অদুদা মহাক অনীশুবা অঙাং নাওপুরকপগা মরী লৈননা চাং নাইনা চেক-অপ তৌবা লাকখিবনি। মহাক্না লায়েং পথাপ চথনবা হোৎনরিঙৈদা অতোপ্পা নুপী অমগা মহাক্কী মচানুপা অদুগা শান্নদুনা লৈখিবনি। মতম অদুদা মহাক্না খনখিবদি অঙাং অদুবু নুংশিবদগী শান্নমীন্নবনি হায়না লৌখি।

চেপ-অপ তৌরবা মতুং হল্লকপদদি মখোয় অনীমক লৈরমদ্রে। নর্গিস অমসুং মহাক্কী মপুরোইবা মুহম্মদ সমিন মীওই অমবু আইন কায়বা মওংদা ফাজিন্দুনা থল্লম্বগীদমক ফারে। পুলিসনা হায়রিবা মতৈ মনাও অদু মী ফাবা অদুদা করম্বা থৌদাং লৌখিবগে হায়বা খঙদোক্লবা হোৎনরি।

অঙাং অদুগী মরাইবক দি এন এ টেষ্ট তৌরবা মতুং করম্বা মমা মপাগী মনাক্তা লৈগদগে হায়বদু কোর্টনা লেপকনি হায়রি।


## ৫৪ / JOB VACANCY

Regd. no. 1400621-03550 pt-1 (micro under the Govt. of Manipur)

| Sl. No. | Name of Post | Post | Qual. | Salary |
|---|---|---|---|---|
| 1. | HOSPTIAL, HOTEL, MNC COMPANY, OFFICE, SCHOOL | | | |
| i) | Staff Nurse (GNM/ANM/B.Sc) | 15 | X-XII | 5500-8500 |
| ii) | Medical Representative | 08 | XII-Grad. | 15000-30000 |
| iii) | B.P.O. Asst. Manager | 10 | XII-Grad. | 12000-18000 |
| iv) | Computer Operator, Data Entry | 15 | X-above | 8500-15000 |
| 2. | DIRECT JOIN MICRO FINANCE/OFFICE (100% Success) | | | |
| i) | Reception, L.D.C., Attendent | 10 | VIII-above | 5500-8500 |
| ii) | Security/Gunman, Peon, Helper | 10 | VIII-X | 4500-8500 |
| iii) | Choukidar, Grasscutter, Cook, Helper, Sweeper | 15 | VIII-above | 5000-10000 |
| 3. | DISTRICT WISE VACANCY OF BANKING IN MANIPUR & NORTH EAST (6 MONTHS TRAINING WITH SALARY) | | | |
| i) | Account Opening, Loan Recovery | 18 | XII-Grad. | 12000-25000 |
| ii) | Setting Staff, Mobile Banking Supervisor, Loan Officer | 15<br>15 | XII-Grad. | 16000-28000 |
| iii) | ATM Security, Bank Security | 10 | VIII-X | 10000-18000 |
| 4. | AIRPORT POST VACANCY FOR DOMESTIC AND INTERNATIONAL | | | |
| i) | Air Tiketing Staff | 12 | X-XII | 12000-15000 |
| ii) | Ground Staff, Airport electrician Cabin Crew, Air Hostes | 15 | X-XII | 17000-25000 |
| iii) | Loader, Flight Cleaner, Cargo Driver | 20 | VIII-above | 10000-20000 |
| 5. | Extra Income & part time Jobs for Students, House wife and Employed and unemployed in Manipur | | VIII-above | 10000-20000 |

Interview on : 29th Aug., 2016
Last submission : 27th Aug., 2016
Office Hour : 10.00 am - 4.00 pm
SL/B/18-26 Aug

**RISING STAR COLABORATION**
Kwakeithel Thoudabhabok,
Near Ima Stationary



**DIRECT ADMISSION IN INDIA & ABROAD**

**MBBS in BANGLADESH**

DHAKA, CHITTAGONG, RANGPUR & RAJSHAHI

MBBS in INDIA, KAZAKHSTAN & CHINA

10th Times Installment to be paid Within 5 Years

NO DONATION
NO PROCESSING FEE
NO VISA FEE
EDUCATIONAL LOAN AVAILABLE

# NOTICE #
No Free Laptop, No Free Mobile
No, Free For Travelling Fare
No Free Tab

GET SCHOLARSHIP BENEFIT OF UPTO 20 LACS

BDS in INDIA (no donation)
Top Colleges Recognised by DCI

B. Tech/BE (Rs. 70,000/ yr)
Civil, Mech, EEE, ECE, IT, ARCHITECTURE & CSC

B.Sc Nursing, GNM & BPT (Physiotheraphy) at Guwahati & Bangalore

Agriculture, Forestry & Horticulture at Dehradun

Regional Office :- Office Regd. No. 548/SR(IE)
**LUWANG EDUCATION TRUST**
Palace Compound Near Pioneer Academy, Opposite SBI ATM Booth, Imphal East
9856167106 8259867645

SL/B/14th July- 20th Sept. 2016